# ককচিংদা থবক শুবা চৎখ্রগা অসামগী মফম অমদা শিনা ফংখিবা কেনেদিগী ইমুংদা শেলগী মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস) : ককচিংদা চেক্কী মিস্ত্রি ওইদুনা থবক শুগনি হায়দুনা চৎখ্রগা অসামগী মফম অমদা শিনা লৈরল্লবা য়েন্দ্রেম্বম কেনেদিগী লোয়নবী য়েন্দ্রেম্বম রোস্নি অমদি মহাক্কী ইমুং-মনুংদা ঙসি লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি) মণিপুরগী ৪৮লকশুবা তেংবাঙ থৌরম অমা ওইনা ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারদুনা লুপা ১৩,৫০০ তেংবাঙখ্রে হায়না এল এম জি গ্রুপকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।




চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ঙসিগী তেংবাঙ খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা গ্রুপ অসিগী সেক্রেটরি ওজিৎ সোরোখাইবমনা থৌদোক অসি য়াম্না লাইবক থীবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

তেংবাঙ পীবগী খোঙচৎ অদুদা লূপ অসিগী সেক্রেটরি ওজিৎ সোরোখাইবমনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোক এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা লমদিং চেরাপুরদা লৈবা য়েন্দ্রেম্বম কেনেদি (৪০) অপোকপা লৈখিদ্রবা য়েন্দ্রেম্বম মনিশং হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৪গী অয়ুক অঙনবদা ককচিংদা চেক্কী থবক শুবা চৎকনি হায়দুনা অপোকপা মমানা ৱাংজিং লমদিং বজার ফাওবা থিন্দোকখি। অদুগা নুমীৎ অদুগী নুংথিল পুং ৬ রোম তাবদা মচানুপাগা ফোনদা ৱারী শানখি। মদুগী মতুংদগী ফোন স্বিটচ ওফ লৈখিবদগী য়ুমদসু হল্লকখিদে। নোংঙাল্লগা কেনেদিগী লোয়নবী অমদি মচানুপাগা ককচিংদা চৎতুনা হংলুবদা লাক্কে হায়রকখি। লোয়ননা খঙন-চান্নবা মরী-মতাদা হংদুনা কন্না থিনরিঙৈ চৈরক্তা থৌবাল পুলিসকী কাঙবু অমনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৬তা কেনেদি অসামগী মফম অমদা শকখঙদবা মীনা হাৎলগা হুন্দোক্লম্লে হায়না পাউ পীবা লাকখি।

খুদক্তা ময়াম্বনা গাড়ী লুপা লিশিং ২২দা ৱাইদুনা অশিবা হকচাং লৌবা চৎখি। কেনেদিগী ইমুং অসি হাতে হাতে শুরগা চাবনি। য়ুম শাবা ঙমদদুনা মমাঙ শঙ্গোইদা ট্রিপালনা খাজিন্দুনা লৈবনি। ইমুং অসিগী অৱাবদা খজিক্তা ওইরবসু মতেং ওইননবা হায়দুনা মহাক্কী লান্নথৌরমগী মাঙওইননা লাইক মাইনেদদ গ্রুপনা লুপা ১৩,৫০০ মতেংসি পাংদুনা ইমুং অসিগী অৱাবদা শরুক য়াবনি। অসিগুম্বা য়াম্না থম্মোয় শোকপা নুংঙাইতবা থৌদোক অসি মফম অমত্তদা থোক্তনবা মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবীয়ু। লোয়ননা মীশি অসিগী অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোকপীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী তেংবাঙ খোঙচৎ অদু গ্রুপ অসিগী এদভাইজরি বোর্দ মেম্বর নারেংবম রোবিন্দ্রোনা লুচিংখি। তেংবাঙ পীবগী খোঙচৎ অদুদা এল এম জি গ্রুপকী সেক্রেটরি ওজিৎ সোরোখাইবম, জয় থোঙাম, ডা. ইনাওবা নোংমাইথেম, ব্রিজেন্দ্রো থোঙাম, ইবুংঙোচৌবা য়েন্দ্রেম্বম, সুরেন্দ্র নিঙোম্বম, কুঞ্জেশ্বর মংশাতাবম অমদি সুনি নোংথোম্বমনচিংবা মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।

লোয়ননা লাইওইখ্রবা কেনেদিগী লোয়নবীনা মহাক্কী ৱারবা মতমদা মতেং পাংবীরকপগীদমক্তসু এল এম জি মণিপুরবু থাগৎপা ফোঙদোরকখি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

# তোম্বা খুমনদা থোমাস হর্দি নীংশিং সাহিত্য মনা ২০২২ পীরগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস) : সাহিত্য য়োকখৎ কাঙলুপ (সায়োকা) তেন্থানা চহী খূদিংগী খুঙ্গংগী মরমদা ইবা লাইরিকশিংদা পীদুনা লাকপা থোমাস হর্দি নীংশিং সাহিত্য মনা ২০২২ চহী অসিগী ওইনা খাঙবোক অমসুং ইকোপ নিংথৌ পুয়াগী অইবা লাইশ্রম তোম্বা খুমনদা পীদুনা ঈকায়খুম্নরগনি হায়না সায়োকা তেন্থাগী সেক্রেটরি মাইবম প্রেমোজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।



এৱার্দ অসি লমদম অসিগী শক্লাইরবা অইবা কবিরাজ মোইরাংথেম রাজেন্দ্রনা দোনর ওইদুনা থোমাস হর্দিবু নীংশিংলদুনা লমদম অসিগী অইবা-অইবীশিংনা খুঙ্গংগী মরমদা ইবা লাইরিকশিংদা কুমজা ২০১৭তগী লেপ্তুনা পীদুনা লাকখিবনি। এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫, সোল অমদি শকখঙচে অমা য়াওরি।

এৱার্দ অসি চহী অসিগী লাক্লিবা ওক্টোবর ১০, নিংথৌকাবা নুমীৎতা পাঙথোক্কদবা সাহিত্য য়োকখৎ কাঙলুপ (সায়োকা) তেন্থাগী মপোক কুমওন থৌরমদা লান্থোক্কনি। থোমাস হর্দি নীংশিং সাহিত্য মনা ২০২২ ফংলগদবা অইবা লাইশ্রম তোম্বা খুমন কুমজা ১৯৪৬কী জন্যুৱারী ৫দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খাঙবোক পার্ট টু ময়াই লৈকায়দা লৈখিদ্রবা লাইশ্রম মোধু অমদি লাইশ্রম ওংবী পিশক অনীগী মপারী ওইনা তাইবংদা খোঙদারকখি। মহাক কুমজা ১৯৬৮গী সেপ্টেম্বর ৯দা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা এ এস আই (ৱেয়রলেস) ওইনা থবক চঙখি। কুমজা ২০০৯গী ফেব্রুৱারী ২৮দা থবক্তগী পোথাখি। মহাক্না থবক তৌরিঙৈ মতমদা লেমজ নিংঙাই ওইরবা এৱার্দ কয়াসু ফংখি। মহাকপু সোসল রিফোর্মর এন্দ মোবিলাইজ ওইনা শকখঙলদুনা বাবু জগজিবন রাম কলা সংস্কৃত এন্দ সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ, ন্যু দেল্লীনা কুমজা ২০২০গী ওগষ্ট ৮দা নেসনল এৱার্দ পীদুনা ঈকায়খুম্নখিবদা নত্তনা মণিপুরগী নিংথৌ ইনিংথৌ সনাজাওবা লৈশেম্বনা কুমজা ২০০৯গী মে ২১দা শংলাকপা (অসুপ্পা) হায়বা মিংথোল অসি পীদুনা ঈকায়খুম্নখি। লোয়ননা অইবা কুমজা ২০১২গী ওগষ্ট ৪দা ইনিংথৌনা সোনারেল হায়বা মিংথোল অসিসু পীদুনা অৱাংবা থাক্তা ঈকায়খুম্নখি।

কুমজা ২০২২গী জুলাই ১০দসু ওল ইন্দিয়া কংলা পাখংবা দিভেলপমেন্ট সোসাইটি মণিপুরনসু অমাই পিবা হায়বা মিংথোল অসি পীদুনা ঈকায়খুম্নখ্রবা অইবা অসিনা ইবা খাঙবোক অমসুং ইকোপ নিংথৌ পুয়া হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মশাগী হৌরকফম মখুঙ্গং লমদমগী মরমদা ইবা থোইদোক হেন্দোকপা লাইরিক অমনি হায়না খনগৎতুনা চহী অসিগী ওইনা সায়োক্না থোমাস হর্দি নীংশিং সাহিত্য মনা অসি পীনবা ৱারেপ্পখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, এৱার্দ অসি ফংলগদবা অইবা লাইশ্রম তোম্বা খুমন মমাঙদা অবুং লাইশ্রম য়ুমদারোল পুয়া হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমসু ইদুনা ফোঙখিবা লৈখ্রে। সায়োক্না এৱার্দ অসি ইহান হানবা ওইনা কুমজা ২০১৭তা কার্তিক মাইবনা ইবা লাইরিক তেন্থা খুন্দারোলদা পীখি। কুমজা ২০১৮দনা শমজেৎশাবম তোলচৌনা ইবা লাইরিক থোঙজাও খুন্থোকলোন, কুমজা ২০১৯দনা তখেল্লম্বম নগেন্দ্রনা ইবা লাইরিক পলেমগী মরমদা, কুমজা ২০২০দনা য়ুম্নাম মহেন্দ্রকুমারনা ইবা লাইরিক ৱাংজিংগী সনাগী য়ুম্বী অমদি কুমজা ২০২১দনা নাওরেম চন্দ্রমনিনা ইবা ককচিং অমসুং মসিগী পরমপারা নাৎতা পীদুনা ঈকায়খুম্নখিবনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ফার্মরস ট্রেনিং প্রোগ্রাম খুমন্থেম লৈকায়দা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস) : খুমন্থেম লৈকায় লেৱা ভোল্লিবোল গ্রাউন্দদা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম) অমদি এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট অনীনা খুৎশম্নদুনা পরিংনাইনা চথরকপা চীঞ্জাক্তা মীপাল তাঙদবা হায়বগী ৱাখল্লোন্দা য়ুম্ফম ওইরগা নোংমগী ওইবা ফার্মরস ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে হায়না য়ু সী এমগী সেক্রেটরি আই পি আর লৈশেম্বা লমাবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নোংমগী ওইবা ফার্মরস ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজম, ৱার্দ মেম্বর খুমন্থেম দেবলা অমদি লেৱাগী প্রসিদেন্টকী সোরোখাইবম ওজিৎনা ফম্বাক্কী লৈতেং ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা রিছোর্স পার্সন ওইনা লিকমাবম গোর্বচোব অমসুং লিন্থোই ৱাথমনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা কি নোট এদ্রেস পীরদুনা য়ু সী এমগী সেক্রেটরি জেনরেল এন জি দেবনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর অসি সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা মনিং মখা তম্না কনাগীসু মখা পোন্দনা হিংজরম্বা লৈবাক অমনি। মণিপুরদা খুৎশেমগী ওইবা চাক তাঙবগী ৱাথোক অনী কুমজা ১৯৩৯গী অনীশুবা নুপীলাল অমসুং ১৯৬৫গী চাক্লাম খোঙচৎ অসিনি। অসিগুম্বা ৱাথোক অসি মতৌ করম্না ওইরকখিবনো। মসিনা ঐখোয়দা করি পারা তম্লিবগে অমসুং করি করম্বা ৱাহং হংলিবনো হায়বসি খঙমিন্নবগী মতম ওইরে। মরম অদুনা ঐখোয়না অমুক হন্না থোকখিবা থৌদোকশিং অসি তুংদা থোক্তনবা করি পাম্বে লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদসু খন্থমিন্নসি। লৌউ-শিংউবনা মরুওইবা লমদম অসিদা শেলতগী খন্দুনা ঐখোয়গী ৱার্ক কলচর মুখৎতুনা বিজিনেসতা মায় ওনশিল্লক্লি। মীতোপ মীয়ানচানা ঐখোয়গী মরুওইবা বিজিনেস পায়শিনখিবদগী ঙসিদি মণিপুর অসি তাঙজদুনা হিংবগী শক্তম উরক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

## মহৈ-মশিন তম্লিবী মহৈরোয় নুপীমচাশিংদা শরিৎ-শরাক্কী ফূন-কাঙলোন তাকপী তম্বীবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস) : চীফ মিনিষ্টর ইন্দিজিনস মার্সিএল আর্টস একাদেমীগী মীৎয়েং মখাদা শরিৎ-শরাক এসোসিএসন মণিপুরনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা সগোলমাং হায়র সেকেন্দরি স্কুল, সগোলমাং অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা বুধিমঞ্জুরি হায় স্কুল, সগোলবন্দ খন্নাম বজার অমসুং য়ুরেম্বম হায় স্কুল, য়ুরেম্বম অৱাং লৈকায়দা মহৈ তম্লিবী মহৈরোয় নুপীমচাশিংদা নুমীৎ নীনিগী ওইবা শরিৎ-শরাক্কী ফূন-কাঙলোন কয়া তাকপী-তম্বীবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না শরিৎ-শরাক এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল লাসামোননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।



চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ঙসি ইরমদম অসিদা তাহৈদবা থৌদোক ৱাথোক কয়ানা নোংমা কাংদনা তৎতনা থোরক্লিবা মীওইবা ঐখোয়গী মরক্তা মী ওইবগী ৱাখল চেল্লক্তবা মীওই কয়া ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপগুম তৌরক্লি। মসিনা মরম ওইরগা অসিগুম্বা মীওইবা খুন্নাই অসিদা হিংমিন্নরিবা ইচে-ইচল, ইচাশিং, নুপী ওইবী খূদিংমক্তা ইশাদা খঙহৌদনা থোক্লকপা য়াবা তম্বা ঙমদবা খুদোংথিবা কয়াদগী ইশাবু কঞ্জনবা, খঙদবা য়াদ্রবা, হৈতবা য়াদ্রবা মহৈ ফূন-কাঙলোন কয়া তঙাইফদনা তাকপী তম্বীবা মথৌ তারে।

শরিৎ-শরাক এসোসিএসন মণিপুরনা মীৎয়েং অমদি ৱাখল্লোন অসিগী মখাদা য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা ইরমদম মণিপুর অসিগী ইচে-ইচল, ইচাশিং অসিবু শরিৎ-শরাক্কী মহৈ ফূন-কাঙলোনশিংগী মনুংদা য়াওরিবা য়েংবা খক্তদা হেক্তা খঙবা হৈবা য়াবা ফূন-কাঙলোন কয়া অদু তাকপী তম্বীদুনা খুদোংথিবা কয়াদগী মশাবু কঞ্জনবা লাপ্পা, নকপা থিদনা অসিগুম্বা ট্রেনিং প্রোগ্রামশিং অসি মফম কয়াদা চঙশিল্লকখিবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## নট সঙ্গিট একাদমি এন্দ রিছর্স সেন্টরগী ২৯শুবা ফাউন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস) : নটা সঙ্গিট একাদমি এন্দ রিছর্স সেন্টর য়াইস্কুল জমাস্থাননা শিন্দুনা ঙসি সেন্টর অসিগী ২৯ শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা সেন্টর অসিদা থা অমা চুপ্পা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন ওন ধোপ কির্তন সনাতোন সঙ্গ লোইশিনবগী থৌরমসু পাঙথোকখ্রে।



কলিমাই মন্দির, য়াইস্কুল পুলিস লেন্দদা ঙসি পাঙথোকখিবা ফাউন্দেসন দে অমদি ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন প্রোগ্রাম লোইশিনবগী থৌরম অদুদা দিপ্যুটি দিরেক্টর (প্রোগ্রাম) দিরেক্টোরেট ওফ আর্ট এন্দ কলচর গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর গুরুময়ুম ধর্মদাসনা অথোইবা মীথুংলেন, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদসমিগী হান্নগী সেক্রেটরি এস ভেদেস্বরনা থৌরম মপু অমদি সহিত্য একাদমি এৱার্দিসু ওইরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. মখোনমনি মোংশাবনা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা গুরুময়ুম ধর্মদাসনা ফোঙদোকখিবদা, ধোপ কির্তন অসি গোবিন্দজি টেম্পলদা চহী অমগী মনুংদা অমুখক পাঙথোকপা নত্তনা অতোপ্পা থৌরমশিংদা পাঙথোকপা উদ্রে। অসিগুম্নবা শিথরক্লবা চৎনবী অমবু অমুক হন্না য়োকখৎনবা নট সঙ্গিট একাদমি এন্দ রিছর্স সেন্টরনা ৱার্কশোপ অমদি প্রদক্সন প্রোগ্রামনচিংবা পাঙথোরক্লিবা অসি লাইবক ফবনি। মসিগীদমক সেন্টর অসিবু থাগৎপা ফোঙদোকই হায়খি।

থৌরমসিগা মরী লৈননা নট সঙ্গিট একাদমি এন্দ রিছর্স সেন্টরগী সেক্রেটরি ৱাইরোকপম শান্তিকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, সঙ্কীর্তনগী মচাক অমা ওইরিবা মুৎশিল্লক্লবা ধোপ কির্তন অসিবু অমুক হন্না য়োকখৎনবগী পান্দমদা অমদি মসিগী মতাংদা রিছর্স তৌদুনা ইনখৎলক্লিবশিংদা খঙহন্নবগী পান্দমদা ৱার্কশোপ অসি পাঙথোকপনি হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা অঙাংয়াইমা সিংহ শেলগী মনাসু নট সঙ্কীর্তনগী লমদা থোইদোক হেন্দোক্লবা শৌগাইজম থানিলদা লান্থোকখি।

## মীতৈ খৃষ্টিয়ন চর্চেস কাউন্সীল মণিপুর ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল শেমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস) : ইরুম বপ্টিষ্ট চর্চ ককচিংদা মীতৈ খৃষ্টিয়ন চর্চেস কাউন্সীল মণিপুর (এম সী সী সী এম), ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল অমা শেমখ্রে হায়না এম সী সী সী এমগী জেনরেল সেক্রেটরি রাজকুমার লুখোইসনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এম সী সী সী এম ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল শেমখিবগী থৌরম অদুদা চীফ এদভাইজর হেদ ক্বার্টরগী ডা. ঐচ রাখোননা প্রসিদেন্ট, জেনরেল সেক্রেটরি রাজকুমার লুখোইসনানা চীফ গেষ্ট অমদি সিনিয়র এদভাইজর ডা. প্রদিপকুমার কে ঐচ, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী চ্যেরমেন পাষ্টর কে এস ঐচ সচিচন্দ্র, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী চ্যেরমেন এন মঙ্গিজাও অমসুং এন দেবেন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদু নবকেশোরনা মপু ইবুংঙোদা থৌজদুনা হৌদোকখি। থৌরম অদুদা কি নোটকী ৱারোল পীরদুনা রাজকুমার লুখোইসনানা কাউন্সীলগী এম এন্দ ওবজেক্টিভকী মরমদা শুগায়না থমখি অমসুং খৃষ্টিয়নশিংনা ইন্দিয়াগী ৱায়েল কাঙলোন অমসুং পথাপকী মতুংইন্না হিংগদবনি। কৈদৌঙৈদা লৈবাক অসিগী লোগী ৱাংমদা হিংলোইদবনি/চৎলোইদবনি হায়বা ৱাফমশিং মীয়ামদা ফোঙদোক্তুনা খঙহনখিবগা লোয়ননা থৌপুগদবশিংসু খনখি হায়রি।

## লৌশিং পুক্কে

# চিনিগী শরুক কা হেন্না

### চারবদি ব্রেষ্ট কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই

ঐখোয়না চারিবা চীঞ্জাক্তা অথুম্বা (চিনিগী শরুক) কা-হেন্না য়াওরবদি ব্রেষ্ট কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎহল্লি হায়বা নৌনা থিজিনবদগী খঙলে। মসিদসু নত্তনা কেন্সর সেলশিং লংসতসু শন্দোকখিবা য়াই হায়রি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্সাসকী এম দি এন্দরসন কেন্সর সেন্টরদা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ওইবা পিয়িং য়াংনা হায়খি, উচিশিংদা চাংয়েং তৌদুনা য়েংবদা চিনিগী শরুক কা-হেন্না চাবা তারবদি কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ হায়বা খঙলকপনি।



রিছার্সরশিংনা হায়খি, চিনি কা-হেন্না চাবা মতমদা এঞ্জাইম মখল অমা অমসুং মরী লৈনবা ফেটি এসিদ মরাং কায়না থোকহল্লকপা মরম্না কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎল-কপনি। হকচাং মনুংদা ১২-এল ও এক্স কৌবা এঞ্জাইম কা-হেন্না পুথোক্লবদি ১২-ঐচ ঈ টি ঈ কৌবা ফেটি এসিদকী চাং হেনগৎলকই।

মমাঙদা পাঙথোকখিবা ষ্টদিশিংদসু চিনি কা-হেন্না চারবদি ব্রেষ্ট কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎলকই হায়বা খঙখি। অদুবু ইনফ্লেমেসন্না মরম ওইরদুনা কেন্সর ওইহল্লকপনি হায়না থাজনখি।

ষ্টদি অদুদা শরুক য়াখিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্সাস এম দি এন্দরসন কেন্সর সেন্টরগী প্রোফেসার লোরেঞ্জো কোহেননা হায়খি, হন্দক পাঙথোক্লিবা ষ্টদি অসিদা চিনি চাবনা উচিগী পেম্মরি গ্লান্দদা ট্যুমর ওইহল্লকপ্রা হায়না থিজিনখি। মদুদা কা-হেন্না চিনি চারবদি হকচাং মনুংদা ১২-ঐচ ঈ টি ঈ কৌবা ফেটি এসিদকী চাং ৱাংখৎলক্তুনা ব্রেষ্ট ট্যুমর ওইহল্লকপনি হায়বা খঙখি।

ষ্টদিগী শরুক অমা ওইনা রিছার্স টিম অদুনা উচিশিংবু কাঙলুপ কয়া থোক্না খায়দোক্লম্মী। উচি কাঙলুপ অমদা অকক্লবা চাংদা চিনি পীজবগা লোয়ননা কাঙলুপ অমদনা চিনিগী চাং ৱাংনা পীজরম্মী। চিনি খজিক্তং পীজবা উচি কাঙলুপ অদুদা ট্যুমর ফোর্ম তৌরকপগী চাং চাদা ৩০ ওইরম্মী। অমরোমদা, চিনি কা-হেন্না পীজবা উচিশিং অদুগী ওইনদি ট্যুমর সেল ফোর্ম তৌরকপগী চাং চাদা ৫৮ ওইখি। চিনিগী চাং য়াম্না চাবা মতমদা লংস কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্কসু হেনগৎলকই হায়বা ষ্টদি অদুদগী খঙবা ঙমখি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি 'কেন্সর রিছার্স' জর্নেলগী ওনলাইন ইদিসনদা ফোঙলকখিবনি।

মরকসিদা অনৌবা নন-ইনভেসিব ইমেজিং মেথদ অমনা হৌজিক চৎনরিবা ব্রেষ্ট কেন্সর লায়েংবগী মওং অসিগী মহুৎ শিল্লকপা য়াই হায়বা হন্দক্তা নৌনা পাঙথোকখিবা রিছার্স ৱার্ক অমগী রিপোর্টতগী খঙবা ঙম্লে।

ষ্টদি অদুদা শরুক য়াখিবা স্বিদেনগী অপসানা য়ুনিভর্সিটিদা লৈবা জেন্স সোরেন্সননা হায়খি, অথুবা মতমদা অনৌবা মেথদ অসিনা ইনভেসিভ টিস্যু সেমপ্লিংগী মহুৎ শীন্দুনা কেন্সর লায়েংবগী থৌওং চথরকপা য়াই।

ব্রেষ্ট কেন্সরগী লায়েং চথবদা ঐচ ঈ আর-২ (হ্যুমেন ইপিদর্মেল গ্রোথ ফেক্টর রিসেপ্টর টাইপ-২) কয়া য়াম্না চাউখৎলকপগে হায়বদু মাঙজৌননা খঙদোকপা য়াম্নমক তঙাইফদে। ঐচ ঈ আর-২ দা অতম্না টার্গেট তৌরগা ব্রেষ্ট কেন্সরগী লায়েং চথবদা শেল কা-হেন্না চঙই, অদুবু নুপী কয়াগী পুন্সি কনবদি ঙম্মী।

হৌজিক-হৌজিকমক্তি ঐচ ঈ আর-২ গী চাং ৱাংখৎলকপরা হায়বদু খঙদোক্লবগীদমক সর্জরিগী মতেংনা টিস্যু সেম্পল লৌরগা য়েংলি। নৎত্রগনা লিভর, শরূ অমদি অতৈ হকচাংগী কয়াৎশিংদা য়েৎতুম্না থিন্দুনা টিস্যু লৌরগা বাইওপসি তৌরি। ইচম চম্বা মওংদা নন-ইনভেসিভ টেক্নিক শীজিন্নদুনা হোল-বোদি পি ঈ টি/সী টি (পোজিট্রোন ইমিসন টোমোগ্রাফি/কম্প্যুটরাইজদ টোমোগ্রাফি) ইজেজিং কেন্সর লায়েংবা য়াগদ্রা হায়বদু খঙদোক্লবগীদমক অনৌবা ষ্টদি অসি পাঙথোকখিবনি।

হৌজিক হৌজিক লায়েংলিবা ব্রেষ্ট মেটাষ্টেটিক কেন্সর পেশন্ট ১৬ কী মরমদা রিছার্সরশিংনা কুপ্না থিজিনখি। মেটাষ্টেটিক কেন্সর হায়বসি হকচাংগী মফম অমদা কেন্সর নারম্বদগী অতৈ অতোপ্পা মফমদা শন্দোকখিবগী থৌওংবুনি। হান্নদগী চৎনদুনা লাক্লিবা কেন্সর লায়েংবগী মওং অসিগী মহুত্তা ইচম চম্বা নন-ইনভেসিভ, ইমেজিং মেথদনা কান্নবা হেল্লি হায়বা ষ্টদি অসিদগী খঙবা ঙম্লকখিবনি। ষ্টদি রিপোর্ট অসি 'থেরানোষ্টেটিক্স' জর্নেলদা ফোঙলকখি।

অমরোমদা, য়ু এ ঈ য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসার অমর অমিননা লুচিংদুনা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, সেফ্রোন-বেজদ ক্রোসিননা লিভর কেন্সর ঙাকথোকপা ঙম্মী। মালেমদা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহল্লিবা কেন্সর মখলশিংগী মনুংদা লিভর কেন্সরনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। অদুবু সেফ্রোন বেজদ ক্রোসিনগী মতেংনা লিভর কেন্সর মাঙজৌননা ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বা ষ্টদি অসিদগী খঙবা ঙমখি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি 'এন্টি কেন্সর দ্রগ দিস্কোভরি' দা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

## ফেল্লোশিপকীদমক এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস) : আর কে মাইপাকসনা মেমোরিএল ট্রষ্টনা লমদম অসিদা জর্নেলিষ্ট অমদি কলমনিষ্টকী থবক তৌরিবা মীওইশিংদগী আর কে মাইপাকসনা জর্নেলিষ্ট ফেল্লোশিপ ২০২২গীদমক এপ্লিকেসন কৌরি হায়না ট্রষ্ট অসিগী মেনেজিং ট্রষ্টি ডা. টি ঐচ ইবোহনবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। ফেল্লোশিপ অসিদা এপ্লাই তৌনিংবশিংনা প্লেন পেপর অমদা এপ্লিকেসন ইদুনা ফোঙখ্রবা পাউশিংগী কোপীগা লোয়ননা চৎলিবা থা অসিগী সেপ্টেম্বর ২৭ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লক্কদবনি হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৩।০৯।২০২২ ইং, লৈবাকপোকপা; অয়ুক পুং ১০.৩৮ ফাওবা লাংবনগী ১৮ নি পাল্লি, মতুং ১৯নি পাল্লনি।

মেষ: নকস্থিনা নরল মাঙহনবা য়াবা লৈ-তপথৌ। মরুপ-মপাংনদি চানবীগনি, শেন্দোং তানবদা মায় পাক্কনি, ঙাংবা শকপা হৈগনি, মীংচৎ ফংবসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীঙবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃষ: য়েৎনবনা নথক থোংবগা মুক্লবা, হন্থবা লোয়নবনা চোপ্পা, অনীংবা থবক পাঙবদা পনবা লৈ। অচুম্বা অমদি লৌশিং ফুদোকপনা ওইজবদি শোয়দনা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনবা পামলুগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: লম অয়াম্বদা নীঙবা থুংগনি। শেন্দোং য়াম্না লৈগনি, মীয়ামগী মতেং ফংগনি, পাইরক্কী লৌশিং চাওবনা মীনা লাকচবা ঙম্লোই, লম চৎপসু কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কর্কট: নাপলনা লনদা তায়নবা য়াবদি লৈ-নোল্লুক্না চৎলু। হকচাং খিঙবা, নীঙবা মপা চাবা, থবক পাঙবা, থৌনা হেনগৎপা, লন তানশিনবা চান্নবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংজে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

সিংহ: হোয়া হেন্না ফবদি তুংদা নীংঙমদবা লৈগনি। চিন শোয়বনা নরলদা তায়নগনি- অখঙ অহৈগী ৱা কাওগনু। অফা-অপুন্নবা অমদি য়েৎনবা লৈরম্বদি কোক্লনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা য়াম্না ঙাংগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

কন্যা: লৌশিংনা শামু ফাওবা ফাবা ঙমগদবা নুমিৎনি। মরুপ মপাং লোয়নৌ কান্নবা হেনগনি, শেল-থুমগী লমদা চাওনা মায় পাকচগনি। হুরানবনদি য়েংথি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌগনু-ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: লাইবক থোইনা ফবা, থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাজবা অমদি ইচঙ থৌবনা শেল থুমগী লমদা মীকোক থোংবা নুমিৎনি। মহু চাওবদৈদি চেকশিন্দবা তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: মীচঙ হেনগৎকনি, শেন্দোং য়াম্না লৈগনি, অনীংবা অফবা থবক খুৎলোইনা পাঙগনি, কনানসু লাকচবা ঙম্লোই। অফবা মীংচৎ তানবসু মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীঙবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

ধনু: নীংবদুমক পাঙদা য়াদে খনগনু-ৱাখল খরা থেল্লি। লাঙতক্লগনু, মরুপ মপাং থাজবসু খরদি লুগনি। নীংথিনা য়াৎথোক্লগা পাঙবা থবক থৌরমদি মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈকায়খুম্নবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

মকর: হৈ-শিংবা ৱাৎপা, মরুপ মপাংগা মুক্লবা খরা লৈরসু নচা-ননাইগী লমদদি চাওখৎকনি, অনীংবা থবক পাঙবা য়াগনি, মীরক চঙলগা নুংঙাইজবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

কুম্ভ: নাইতোম ৱারেপ লৌথিনু, অনমসু তানগনু অমদি মরুপ মপাং লোয়নবসু কান্নবা ফংলোই। লাইবক্তি ফবনা নীঙবা খরদি থুংগনি, অনৌবা আশাদি মাঙলোই।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফবা ৱাৎলি-লাঙগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

মিন: থৌনা ফুদোকপা কান্নবা, লেঙদবা লন লেপশিনবা য়াবা, চাদিং হন্থহনবতা নত্তনা শেন্দোং ফংজবা নুমিৎনি। য়েক্লবনদি হুন্দুনা ঙাংবা লৈ-চিন য়াঙগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।